# ইম্ফাল ইষ্ট সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট
## য়ুনিক মোদেল একাদেমী অমসুং সেন্ট জোর্জ সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ

খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা চথরকপা অন্দর–১৪ অমসুং ১৭ বোইজ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অন্দর–১৪ কেতেগোরিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা মায় পাক্কুনা টিম অনী গুদ ৱিল মোদেল একাদেমী য়াইঙংপোকপী অমসুং য়ুনিক মোদেল একাদেমী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অন্দর–১৪গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা গুদ ৱিল মোদেল একাদেমীনা সেন্ট জোর্জ হায়স্কুল ৱাংখৈবু গোল ১০–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

গুদ ৱিল একাদেমীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এ অফাওবা, এম অজোইসনা অমসুং এস অমারজিৎনা গোল ২।২ অদুগা পিঐচ রাজু, এম থোইথোইবা, এন ধনাকো অমসুং ও দিনেসনা গোল অমমম চনবা ঙমখি।

অদুগা সেন্ট জোর্জকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা দিবাপৌনা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা কেতেগোরি অসিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা য়ুনিক মোদেল একাদেমীনা পোইরৌ খোংজিন হায়স্কুলবু গোল ১০–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাকপগী গোলশিং অদু টি ঐচ সনামচানা ৫, ঐচ কিরন অমসুং টি ঐচ লেনিননা ২।২ অদুগা এসঐচ মালেমঙাম্বনা গোল ১চনবা ঙমখি।

পোইরৌ খোংজিনগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সন্তিকুমারনা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা কেতেগোরি অসিগী প্রি ক্বার্টরগী মেটচ অমদা ওরিয়েন্টেল ইংলিস স্কুলনা ফ্রি প্রোগেস একাদেমীবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

ওরিয়েন্টেনা স্কুলগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সনাথোই অমসুং বোইচানা চনবা ঙমখি। অদুগা ফ্রি প্রোগেসকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এল নানাওনা চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা অন্দর–১৭ কেতেগোরিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সিঐচ ইবোয়াইমা হায়স্কুলনা অনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরী স্কুলবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাকপগী গোলশিং অদু বিক্রমজিৎনা ২ অদুগা অরনোল্ড অমসুং রোকেসননা গোল অমমম চনখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা কেতেগোরি অসিগী শান্নখিবা মেটচ অমদা ব্রাইট কেরিয়র একাদেমীনা সেন্ট জোজ হায়স্কুলবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

বিসি একাদেমীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রোজরনা ২ অদুগা এস কৃষ্ণনাকান্ত অমসুং পিয়ানদনা গোল অমমম চনবা ঙমখিবনি।

# ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট
## এদব্লিউএসসিনা কেএলএসসিবু ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ

ব্রাইটর ক্লব অৱাং পোৎশঙবম খুল্লেননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চত্থরিবা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ১১ মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–সিগী লীগ মেটচ অমদা এদব্লিউএসসি অৱাং ৱাবগাইনা কেএলএসসি কোন্থা খাবমবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অৱাং ৱাবগাইগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু পি শ্যামসন, এস মোহোনজিৎ অমসুং এম অমারজিৎনা শান্নবগী ২০, ২২ অমসুং ৩৬শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

কোন্থা খাবমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা য়ুহেনবনা শান্নবগী ৪৩শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা গ্রুপ–বিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্বু ব্রাইটর ক্লব অমদি কোইরেঙ্গৈ এফসি গোল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা কোইরেঙ্গৈ টিমগী লিংকিনা শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা রাহুলনা শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা ইক্যুলাইজ গোল চনবা ঙমখি।

টিম অনীনা মখা তাবা শান্নবদা গোল অমত্তা চান্নবা ঙমদনা ১–১ দা দ্রো ওইখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা রেফরিনা শান্নরোই অহুম ব্রাইটর ক্লবকী অমরজিৎ অমসুং পিটর অদুগা কোইরেঙ্গৈগী লনচেনবা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা গ্রুপ–দিগী মেটচ অমদা সেকমাই এফসি অমসুং লিসবোন লুৱাং শঙবম ১–১ দা দ্রো ওইখি।

সেকমাইগী গোল অদুনা এম ইবোমচানা শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি। অদুগা লুৱাংশঙবমগী গোল অদুনা য়াইফবনা শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা লুৱাং শঙবমগী নাওবা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি।

অতোপ্পা শান্নরোই ৫ লুৱাং শঙবমগী কিষন অদুগা সেকমাইগী য়ু রোহিৎ, এম ইবোমচা, কে ঐচ রোহিৎ অমসুং এ নিতেস রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মেটচ লৈরোই। থা অসিগী ১৫গী অহানবা মেটচতা কে এফ সি কোন্থৌজম অমদি কেবিএসয়ু কংলা তোংবী অদুগা অনীশুবা মেটচতা মহারাবী এফসি অমসুং কেএলএসসি খাবম শান্নরগনি।

# বঙ্কিম অমসুং বিন্দেশ্বরিনা দব্লিউকেএফ সার্টিফাইদ কোচ লাইসেন্স ফঙখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ

ৱার্ল্ড কারাটি ফেদরেসননা শীন্দুনা ক্রোসিয়াগী উমক্তা চহি অসিগী জুনগী ২৮ অমসুং ২৯দা পাঙথোকখিবা দব্লিউকেএফ সার্টিফাইদ কুমাইট এন্দ কাতা কোস এক্সামদা ষ্টেট অসিগী সিহান মুতুম বঙ্কিম সিংহ অমসুং সেনসৈ সোইবম বিন্দেশ্বরি অনীনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী অহানবা ৱার্ল্ড সার্টিফাইদ লাইসেন্স পায়বা কোচশিং ওইবা ঙমখ্রে।

বিন্দেশ্বরিগী ওইনা মহাক্না ফঙখিবা এচিবমেন্ট অসিনা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা কাতা অমসুং কমাইটকী ৱার্ল্ড সার্টিফাইদ কোচ ওইবা ঙমখ্রে।

বিন্দেশ্বরি হৌজিক হৌজিক ক্বাকৈথেল লমদোংদা লৈবা সোইবম কুবের সিংহ অমসুং সোইবম ওংবী য়াইমা দেবীগী মচানুপীনি।

মখোয় অনীনা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা কোচকী লাইসেন্স ফঙলকপদা মণিপুর এমেচর কারাটি–দো এসোসিয়েসন অমসুং সিতো লু করাটি–দো মণিপুরনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

# অহানবা ওদিআইদা পাকিস্তাননা জিম্বাৱেবু রন ২০১ দা মায়থিবা পীখ্রে



বুলাৱায়ো, জুলাই ১৩ঃ

পাকিস্তাননা জিম্বাৱেদা টুর তৌদুনা জিম্বাৱেদা লৈবা বুলাৱায়ো ক্বুইন স্পোর্টস ক্লবতা পাঙথোকপা অহানবা ওদিআই দা পাকিস্তাননা জিম্বাৱেবু রন ২০১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা জিম্বাৱেনা তোচ ঙমদুনা বোলিং খনখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা পাকিস্তাননা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৩০৮ লৌদুনা জিম্বাৱেবু রন ২০১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

পাকিস্তানগী রনশিং অদু ইমম অল হাগনা বোল ১৩৪ দা ফোর ১১ য়ৈরগা রন ১২৮, ফখর জমননা বোল ৭০ দা ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৬০, ববর অজরনা বোল ৩৪ দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩০, সোইব মালিকনা বোল ২২ দা সিক্স ১ য়ৈরগা রন ২২, অসিফ আলিনা বোল ২৫দা ফোর ৪ অমদি সিক্স ২ য়ৈরগা রন ৪৬, ফহিম অশ্রাফনা বোল ১দা রন ০, সরফ্রাজ অহমদ নাবোল ৯ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১৩ অমদি সদব খাননা বোল ৩ দা রন ২ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোলিং তৌখিবা জিম্বাৱেগী বোল্লর তেনদাই চতারানা ওভর ১০ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৪৯, ব্লেসিং মুজাবানিনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৫৬, দোনাল্ড তিরিপানোনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন৬৬, চমু চিভাভানা ওভর ৩ দা রন ২২, লিয়ম নিকোলাস রোচেনা ওভর ৭ তা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৫৪, ৱেল্লিংতন মশাকাদজনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৫৬ পীখিবনি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা জিম্বাৱেনা ওভর ৩৫ তা ৱিকেট ১০মক তুরগা রন ১০৭খক্তমক লৌবা ঙমখি।

জিম্বাৱেগী রনশিং অদু ব্রিয়ান চারিনা বোল ৪দা রন ২, চামু চিভাভা না বোল ৩৮ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ২০, হমিলতন মসাকাদজা (কেপ্টেন) না বোল ১৫ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৭, তারিসাই মুসাকান্দ না বোল ২০ দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২১, পিটর মুরনা বোল ৮দা রন ২, রিয়ন মুরে (ৱিকেট কিপর) না বোল ৪৮ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৩২, দোনাল্ড তিরিপানোনা বোল ৩১ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১২, লিয়ম নিকোলাস রোচেনা বোল ৯দা রন ৪, ৱিল্লিংতননা বোল ৮ দা রন ০, তেনদাই চতারানা বোল ২১ দা রন ৫ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা পাকিস্তানগী বোল্লর মোহমদ অমিরনা ওভর ৭তা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২১, উস্মান খাননা ওভর ৫ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ২১, ফহিম অশ্রাফনা ওভর ৫ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ১৪, হসন অলিনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৬, সাদব খাননা ওভর ৯ দা ৱিকেট ৯ লৌরগা রন ৩২ অমদি সোইব মালিকনা ওভর ৫ দা রন ১২ পীখি।



ইংলেন্দ দা পাঙথোকপা অহানবা ওদিআইদা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখ্রে

# জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিটকী প্রাইজ য়েন্থোকখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ

ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) না শীন্দুনা ৮শুবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিট ২০১৮গী তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা মকোক–মথং তারকখ্রবশিংদা ঙসি মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা প্রাইজশিং য়েন্থোকখ্রে।

নিংশিংবা য়াবদি য়াওশঙ মনুং দা পাঙথোকখিবা স্পোর্টস মিট অদুদা আইএসটিবিনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়নগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

প্রাইজ য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদকী চিয়রমেন অমসুং মেনেজিং দাইরেক্টর নারেংবম সমারজিৎ সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ইন–চার্জ কে সরোজকুমার শর্ম্মনা থৌরম মপু অদুগা অরুন ইন্টর প্রাইজেস চিংমৈরোংগী প্রোপ্রাইটর অরুন থাংজম, আইএসটিবিগী ইদিটর ইন–চিফ ব্রোজেন্দ্রো নিংঙোম্বা, অমজুগী এদভাইজর এন তোম্বীরাজ অমসুং এ বালকৃষ্ণ শর্ম্মনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# অহানবা য়াইরিপোক ট্রোফিগী ৱিন্নর মৈরা এফসি তেকচমনা ওইখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ

মতম খরা নোংচিংগী ফিভমনা মরম ওইদুনা শান্নবা লেপ্পুরবা অহানবা য়াইরিপোক ট্রোফি ষ্টেট লেভেল ৭–এসাইদ দে এন্দ নাইট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ কী মপু মৈরা এফসিনা ওইখ্রে।

ৱাংখেম এসি গী এমএলএ কৈশাম মেঘাচন্দ্র না স্পোন্সর তৌরগা বিৱাইএফৱাই না শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা টিম ১২না গ্রুপ মরি থোক্না খায়দোক্নুনা বিৱাইএফৱাই গী প্লেগ্রাউন্দা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী ঙসি শান্নখিবা মৈরা এফসি তেকচমনা অংথা এফসিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা টিমনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৫০ রন্নর্স অপ তহৌরবা টিমনা শেলগী ওইনা লুপা লিশিং ৩০ ফঙখি

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী মিনট ৪৯ অমসুং ৫৭ শুবদা ইমরাননা গোল অনীমক চনখি। অদুগা অংথা এফসি গীঅমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা বিশ্বজিৎ না ১১শুবা মিনটতা চনখি।

মৈরা এফসি গী মিলন, দিপক অমদি অংথা এফসিগী রোকিবু ৪৪, ৫১ অমসুং ৬০শুবা মিনটতা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী মনা বিৱাইএফৱাই–এ না শেলগী মানা লুপা লিশিং ৫, বেষ্ট প্লেয়রনা মৈরা এফসিগী এমদি ইমরান খান, বেষ্ট গোল কিপরনা অংথা এফসিগী প্রেম, মেন ওফ দি ফাইনেল মেটচ মৈরা এফসিগী কেএসঐচ মালেমঙাম্বা মৈতৈ, হায়েষ্ট স্কোররগী মনা মৈরা এফসিগী এমদি ইমরান খাননা ফঙদুনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ২।২ ফঙখি।

# এমসিএ টি–২০ ট্রোফি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং জুলাই ১৫দগী মখা চত্থরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা লুৱাংশঙবমগী লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চত্থরকপা অনীশুবা এমসিএ লুৱাংপোকপা টি–২০ ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং নোং–চুখিবনা মরম ওইরগা শান্নখিদবা অদু থা অসিগী ১৫দগী শান্নরগনি।

নুমিৎ অসিমক্তদা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমদি রেজ নাগামাপাল শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা পিটিআরসি পাৎসোই অমদি ট্রাউ ক্বাকৈথেল শান্নরগনি।

# এআইএফএফনা ষ্টেটকী নুপীমচা ফুটবোল্লর ৯ কৌরক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ

সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী অন্দর–১৫ ৱুমেন চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবা ইনি দয়া টিমগী ওরিষাগী কতক্তা থা অসিগী ১৫দগী ওগষ্ট ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু–১৫ ৱুমেন টিম কোচিং কেম্পতা শরুক য়ানবা ষ্টেট অসিদগী নুপীমচা ফুটবোল্লর ৯ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না কৌরক্লে।

শান্নরোইশিং অদুদি এন খুসি চনু, এন গিতাঞ্জলি, এস মেকোলা দেবী, টি মারটিনা, এন প্রিয়াংকা, টি কৃটিনা, এস লিনদা কোম, ঐচ সিলকি অমসুং এল বেবিদোলি নি।

শান্নরোইশিং অসিনা থা অসিগী ১৫দা কোচিং কেম্প মফমদা রিপোর্ট তৌনবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*